থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# মতম হায়বসি ৱাখলগী তাইবং অমরা?

'ইচাশা, মতম ফত্তে অমম অথেঙদা চৎকনু... নৎত্রগা মপান থোক্কনু, ইমুংদগী হেন্দোক্কনু...' অসিনচিংবা ৱাহৈসি অহল-লমনশিংনা মচা-মশু ৱারকপদা শীজিন্নবা, ঐখোয়না তারক্লিবসি ফনা কুইরে। অমম অথেঙদা চথোক্কগা, মপান থোক্কগা 'ফত্তবা মতম' অদুদি ফগৎলকপরা? হান্নগীগা য়েংনরুবদা হৌজিক্কী মতম অসি ফগৎলকপরা? নৎত্রগা ফৎচীল্লক্তবরা? মতম হায়বসিবু 'অফবা'/'ফত্তবা' হায়বা লৈবরা? ফৎত্রিবসি অমম্বা, অথেঙবা মতমদুরা? নৎত্রগা মতমদুদা চথোক-চৎশিন তৌরিবা মীদুদগী পোৎ-চৈ, মরল-মথুম অয়াওবা মুন্নবা ফুবা-চৈবা, হুরান-চীন্থি তৌরিবা মীওইশিংদুরা? 'মতমসিগী মী ফত্তে' হায়বনা হেন্না চুনবা ৱাহায় ওইগনি। ফৎচিল্লক্ত্রিবসি 'মতম' নত্তে 'হৌজিক্কী মীশিং' অসিনি।

অদুদি, অফবা মী/ফত্তবা মী হায়বসি ঐখোয়না করম্না খন্দোক্কনি? হুরানবা হায়বসি ফত্তবা থবক্লি- পূন্নমক্না হায়গনি। অদুবু হুরানবগী থবক তৌরগা মচা-মশু থাক্লিবা মীশক অদু, মচাশিং অদুদদি অফবা মীশক্লি। হুরানবা অমত্তনা 'ঐগী শিনফম হুরানবনি' হায়না লাউথোক্তে। মপোৎ মাঙলিবা/হুরানখ্রিবা মীশক অদুদনা মহাক ফত্তবা মীশক্লি। হুরানবগী থবক তৌরিঙৈদা নৎত্রগা মতুংদা খুদমগা কোন্ননা ফারবা মতুংদদি 'মহাক' ফত্তবা মীশক অমা ওইরে। মী হাৎপসু, মীগী ঈজ্জৎ শোকপা থবক তৌবসু; মীগী থম্মোয় শোক্নবা ৱা ঙাঙবসু, মীগী মাঙনবা তৌবসু ফত্তবা থবক ঙাক্তনি। অদুবু, মশাগী ওইজবা, নুংঙাইবতা থিবা মীওইবনা, হায়রিবা থবকশিং অসি মওং অমা নৎত্রগা অমদা হেক্তা তৌই। অদুনা মশাগী মরালদু কোক্নবা অতোপ্পা ৱাহায় অমা অমুক শেল্লম্মী, 'মীওইবনি, লান্দবা ঙম্বা হৌনদে'। অদু ওইরবদি, মীওইবা খুদিংমক অফবা অমত্তা য়াওদে হায়বা তাবরা? মসিদগীনি, ধর্ম্ম হায়বসিগী মরূ হুনখ্রিবা। অশোয়বা/অরানবদু তৌবগী চাং ৱাৎপা নৎত্রগা হেনবা, অশোয়বদু মশানা তৌরুরে হায়বদু য়াথোকপা ঙম্বা/ঙমদবা অদুগী মতুংইন্না মী অমগী অফ-ফত্তগী চাং লেপ্পী।

অফবা, অহেনবা, ফজবা হায়বসি পুন্নমক্না পাম্মী। খ্বাইদগী ফজবা, খ্বাইদগী অহেনবদু ঐগী ওইবা পাম্মী। মসিদি, মীওইবগী লীচৎনি। অপাম্বদু ফংলক্রুবা, অফবদু ঐগী ওইবা ফংহৌদ্রবা মতমদুদা পোক্লককই- কল্লকপা, খন্বন চাউবা, নত্তবা পাম্বৈনা ঐগী ওইনবা হোৎনরকপা। মসিবু কৌই- ফত্তবা ৱাখল। থবক অমা পাঙথোক্ত্রিঙৈ 'ৱাখল'না হান্না মাঙ থাই। অফবা থবকসু, ফত্তবা থবকসু- থবক্তু পাঙথোক্লমদাইদা খনখিবা 'ৱাখল'দুগী মহৈনি। অদু ওইরবদি ৱাখলদু করম্না খলহনগদগে অমদি খনগদগে হায়বদুনি খ্বাইদগী মরু ওইরিবা।

মীওইবগী ৱাখলগী শক্তি অসি অসুক্কী মতিক কল্লী মদুদি মসিনা য়ৌবা ঙমদবা মফম লৈতে, তৌবা ঙমদবা থবকসু লৈতে। ৱাখলগী মফমদা ওইথোক্তবা হায়বা অমা লৈতে। কনাগুম্বা অমগী অচেৎপা ৱাখল অমগী মহৈনি মালেমসিদা থোকখিবা অহোংবা কয়া, অমাঙবা কয়া, থাজবদা য়ুম্ফম ওইবা ধর্ম্ম কয়া। থাজবদুদা য়ুম্ফম ওইরগনি ঙসি ঐখোয়না নৈনরিবা- অফবা করিনো? ফত্তবা করিনো? চাউখৎপা করিনো? চাউথবা করিনো? মাঙলমচৎ করিনো? তুংলমচৎ করিনো? ঈশ্বর করিনো? মহাক তশেংনা লৈবরা? নৎত্রগা, ঐখোয়গী ৱাখলদতা লৈবরা?... ৱাখলগী ঈচেল লোইবা নাইদে। লোইবা নাইদবা, খুম্বা ৱারবা ৱাহং পরেংনি থোরক্লিবা। মীওইবগী ৱাখলদগী থোকখিবা পাক চাউরবা, ঙমখৈ লৈতবা তাইবং অসি অঙকপনি। খঙবা ঙমদবা অঙকপনা থনবনি। ৱাখল খনবা ঙমদ্রিবা অঙাংনদি ৱাহংশিং অসিগী মরুওইবা খঙখিরোই। অদোমদি শোয়দনা নোংমা নৎত্রগা নোংমদি শোয়দনা হংবীনিংলমগনি- মালেম অসি কমদৌনা শেল্লকখিবনো? নুমীৎ, থা, থৱানমিচাক করম্না ওইরকখি? শেম্বীবা য়াওদনা পোৎ অমা হেক্তা ওইরক্তে হায়রবদি পূন্নমকসি কনানা শেমখি? কৈদৌঙৈ শেমখি? কৈদৌবৈ শেমখি? মশানা হংজবা ৱাহংশিংগী পাউখুম মশানা শেমজে, অঙকপনি মীওইবা! খুম্বা ঙমদবা ৱাহংগী পাউখুম থিবদা, মশাবু পেলহন্নবা হায়রকখি- পূন্নমকসিবু 'শেম্বীবা মপু' অমা লৈ। কনানসু মহাকপু অশেংবা তাইবংদা উখিদ্রি ৱাখলগী তাইবংদা নত্তনা। মহাকপু থাজবসু লৈ, থাজদবসু লৈ। খেৎনরিবদি মখোয় অনীগী ৱাখল খনবগী মওং অদুনি।

তূম্বা-চাবা, হিংবা-শিবা, লৈবা-লৈতবগী ৱাখলদুগী ৱাংমদা অসিগুম্বা ৱাখলদা ঙাইহাক তাউদুনা শান্নবসু 'পুন্সি-মথেল' অমনি। মীওইবগী ৱাখলনা শেমখিবা 'মতম' হায়বসিবু তশেংনা লৈবরা? 'মতম' হায়বসিগী অহৌবা কৈদৌঙৈ ওইখি? কৈদৌঙৈ অমুক লোইগনি? মসিবু অহৌবা, অরোয়বা নাইবা পোৎশক্লা? মালেমসিনা, নৎত্রগা তাইবংপানসিনা ইহান হান্না ওইরকপা নুমীত্তু 'মতম'গী অহৌবা ওইদৌরিবরা? নুমীৎকী মঙালদগী মালেমসিদা হিংদুনা লৈরিবা থৱায়শিংসিনা লোইখিগদবা 'মতম', হায়বদি নুমীৎকী মৈশানা ঈংথখিবা নুমীৎ অদুনা 'মতম'গী অরোইবা ওইদৌরিবরা? 'নুমীৎ'না লোইখ্রবসু পাক চাউরবা তাইবং (য়ুনিভর্স) অসিদি লৈহৌখিগনি, অদুনা মতমদি লোইনাইদনা মখা চথহৌখিগনি। 'মতম'গী ৱাখল পুথোক্লমখিবা মীওইবনা, দাইনোসর মুৎপগুম মুৎখিবদা 'মতম' হায়বসিগী মরমদা খনবীনবা/ঙাঙবীনবা থৱায়পানবদুদি লৈররোই। অদুনা, মীওইবনা লোইবদা 'মতম'সু লোইরে হায়বা লৌবা য়াই। হিন্দু ফিলোসোফিদা 'মতম'বু 'কাল-চক্র' হায়দুনা কোইরক কোয়না ঊংদুনা লৈবা পোৎশক অমগুম শক্তাকই। কোইরক কোয়বা 'সার্কল' অমগী অহৌবা অমসুং অরোয়বা বিন্দু অদু কদায়দনো হায়বা কনানসু হায়বা ঙমদবগুম মতমগী অহৌবা অমসুং অরোয়বা কনানসু হায়বা ঙল্লোই।

'মতম'গী ৱারী শারকপদা নুংঙাইবা ৱাফম খরা থোরকই। ঙরাং, ঙসি, হয়েং; ঙসাই, হৌজিক, হোরেন- পূন্নমকসি 'মতম'গী শক্লোন অমমমনি। হৌখ্রবা, ওইরিবা অমদি লাক্কদবা মতম অদুনি। ঙক্লবা মীওইবগী কোক্তা ৱাখলনা নীংশিংগদৌরিবদুদি 'মতম'দু নত্তে 'থৌদোক' অদুনি। অদুননি মীওইবনা হৌখ্রবা থৌদোকশিং অদুতবু নীংশিংলিবা, লাক্কদবা/তুংদা থোক্লক্কদবা থৌদোক অমত্তা নীংশিং'ঙমদ্রিবা।

হৈ-শিংলবা মীওইবনা 'মতম'বু- মীকূপ, মিনিত, পুংজা, নুমীৎ, চয়োল, থা, চহী, দিকেদ (চহী তরাগী মতম), সেঞ্চুরি (চহী-চা) অমদি মিল্লেনিয়ম (চহী লীশিং) হায়দুনা শক্লোন কয়াদা পুথোকই। অদুবু, পুন্নমক মীওইবগী ৱাখলনা শেম্বা ঙাক্তনি। তশেংবদি, 'হৌজিক' হায়বসি নত্তবা মতম অমা লৈতে। ঙসাই নৎত্রগা হোরেন হায়বা মতমদুদি ঐগী ৱাখলদতা লৈহৌগদবা 'মতম'নি। মসি খঙবা, 'ৱাখল-লৈবশিং'না হায়রল্লিবদুনি- 'ঙসি হায়বসি, ঙরাংগী হয়েংনি... কনানসু হয়েং য়ৌবা পুন্সিদে...।' 'মতম'না কৈদৌঙৈদা তুং হন্দুনা চৎলক্লোই, মাঙলোমদা চঙশিল্লক্কদবা ঙাক্তনি। হৌখ্রবা মতম, শিখ্রবা থৱায়গুম্বনি। ঐখোয়না হিংলিবসি 'হৌজিক' কৌবা মতমদুদনি। অপাম্বা পোৎশক ফংনবা, নীংজবা আশা থুংনবা ঐগী তৌফম থোকপা থবক্তু 'হৌজিক'সিদা তৌগদবনি। হৌজিক নত্তবা অতোপ্পা মতম অমা লৈতে। ঙসিদগী হেন্না ফবা, হৌজিক্তগী হেন্না য়াইফবা অতোপ্পা মতম অমা লৈতবনি। ধর্ম্মগী অখুবা মীৎয়েংনা মোৎহল্লবা মীওইবগী ৱাখলসিদা লৈরু লৈরুবা মফম অমদি লোয়ন-তীন্নরুবা মীয়াম্না মওল-মওল খলহনখি। লৈরোন চনখ্রবা ৱাখলশিংদুনা লাঙ্গোয় চনখ্রবা পূক্লিংনি- মাঙদা তারিবা 'অচুম্ব'সি কনানসু তাপ হেক লৌশিনবা ঙমদে।

ৱাখলগী অতিয়াদা অমম্বা লৈচিল মপৈ পাইরিবদু অমুক্তা হুমদোকহনবীখো 'মতম' কৌবা মহাক্তি শক্লাইদবা পোৎশক্লি, অফবা/ফত্তবা লেপ্লিবদি 'মতম'দুদা তৌখিবা ঐগী থবক্তুননি।

লৌশিং পুক্কে

# নুপা নুপী অনীগী মরক্তা অফবা মরী

## থম্নবগীদমক ঐখোয়না করি তৌবা মথৌ তাবগে হায়বা খঙজিনসি



য়ুম পাল্লবা মতৈ মনাও নৎত্রগা নুংশি নুংওনগী মরী থমদুনা য়ুম পানবগী লম্বীদা খোঙদানবা হোৎনরিবা নুপা নুপী অনীগী মরক্তা ৱাহৈগী ওইবা খৎন-চৈনবা থোকপা হায়বসি মহৌশানি। পাখঙ লৈশাবী ওইনা লৈরিঙৈদা শাউনবা হায়বসিনা তোঙাল্লি। অদুগা য়ুম পাল্লবা মতুংদা শাওনরকপা অসিনা য়াম্না কম্মন ওইনা থোকপা থৌদোকনি। য়ুম পাল্লবা মতুংদা নুপা নুপী অনী শাউনরকপগী মরুওইবা মরম অসি অমনা অমদা অশেংবা ৱাফম হায়দোক্তবা, ঐনা হায়দ্রবসু অশেংবা ৱাফম অমদুনা শোয়দনা খঙলমগনি হায়বগী অরানবা থাজবা অমদা লৈখিবা নৎত্রগা ইশাগী অশোয়বা অদুবু শোয়খ্রে লানখ্রে হায়বগী মহুত্তা অতোপ্পা ৱাহৈনা মহুৎ শিল্লগা লান্দে হায়বগী মওংদা লৈনরকপা অসি পনবা য়াই। মসিগী মথকতা অমনা অমদা পীফম থোকপা মতম চাং নাইনা হায়বদি মপুঙ ফানা পীরক্তবা অসিসু অমনি। হায়রিবা মরম ময়াম অসিনা মরম ওইরগা ময়ুম পান্দুনা নুংশি চান্ননা লৈমিন্নরম্বা মতৈ মনাও অনীগী মরক্তা অচৌবা পল অমা খারক্তুনা খায়বুং খায়বুং তানহল্লকপা অমদি তোঙান তোঙান্না লৈমিন্নরকপা য়াবগী ফিভমদা লাকহল্লি। অমনা অমদা থাজবা ৱাৎলবসু শাওনরক্লবগী অচৌবা মরম অমা ওইহল্লি। মরম অদুনা হায়রিবা মরম ময়াম অসিদগী ঐখোয়না য়াম্না চেকশিনগদবনি।

নুপা নুপী ওইবশিংনা অফবা মরী থম্নবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরকপা য়াই। মতম লৈবা পুন্নমক্তা ঐগী অনিংবা অপাম্বা অমদি নাকল নাম্মতগী ওইবা মওংদা ইশাগী ওইবা ৱাফম ঙাক্তা ফোঙদোকপগী হৈনবী অসি লৈহল্লোইদবনি। মসিগী মহুত্তা করিগুম্বা মতমদা মতৈ মনাও ওইরিবশিংনা মখোয়না মতৌ করম্না নহা ওইরিঙৈ মতমদা থেংনরকখিবা অমদি অমনা অমগী মফমদা নুংশিবগী ৱাফম করম্না ফোঙদোক্লখিবগে হায়বগী মতাংদা ৱারী শাদুনা হান্নগী নুংশি মরী অদু অমুক নৌহৌননা নিংশিংনবা হোৎনগদবনি। মসিনা নুপা নুপী অনীগী মরক্তা নুংশিনবগী চাং হেনগৎহনবা ঙমদ্রবসু শোন্থরক্লবা মরী অদু হান্নগুম লৈহনবদা চাওনা মতেং ওইগনি হায়না থিজিল্লোয়শিংনা ফোঙদোরক্লি।

নুংশিনবগী লমদা খোঙদারিবা নুপা নুপী ওইবশিং মরুওইনা ময়ুম মকৈ পান্দুনা লৈরবশিংনা মখোয়গী অফবা মরী মতৌ করম্না থমগদগে হায়বগী মতাংদা ঐখোয় খরা খঙমিন্নসি।

১) ঐগী লাইফ পার্টনর ওইরিবা মীওই অদুনা অফবা থবক অমা তৌরকপা মতমদা মদু পীক্লবসু চাওরবসু নৎত্রগা মদুনা ইমুংদা কা হেন্না কান্নবা পীবা ওইদ্রবসু মদু এপ্রিসিয়েট (থাগৎপা) তৌবগী হৈনবী থমগদবনি। অমনা তৌবা অফবা থবকশিংদা অশোয়বা থিবগী থবক তৌরোইদবনি। অফবা থবক তৌরকপা ওইরবদি অমনা অমবু থাগৎপা অমদি শিংথানগদবনি। মসিনা লৈমিন্নরিবা অনীগী মরক্তা অফবা নুংশিনবগী মরী অমা থম্বা ঙমগনি। অমনা অমগী অশোয়বা থিবা হৌরুরবদি য়েংথিনবা হায়বসি মশানা পোক্লকপা তাবনি। অশোয়বা থিদুনা ঙাঙবগী মহুত্তা অফবা মওংদা মতৌ করম্না তৌসিগে হায়না খন্নগদবনি।

২) য়ুম্বানবগী লম্বীদা খোঙদাদুনা লৈরিবা নুপা নুপী অনীগী মরক্তা হিরম কয়াদা ৱাখল্লোন মান্নদবা য়াওরক্কনি। অদুবু ঐনা চুম্মী হায়দুনা ঐগী পার্টনরনা করি খনখিগদগে হায়না খন্থদনা ৱা ঙাঙলুবা মতমদা মতৈ মনাও অনীগী মরক্তা অমনা অমবু হন্থনা য়েংনবগী ৱাখল্লোন অমা ফাওহল্লকপা য়াই। মরম অদুনা অসিগুম্বা মতম অসি লাকপদা য়াম্না চেকশিনগদবনি। অমদি ঐনা খল্লিবা ৱাখল্লোন অদু পোজিটিব ওইবা মওংদা ঐগী পার্টনরদা খঙহন্নবা হোৎনগদবনি।

৩) ঐখোয়না পাম্বা খুদিংমক ফংবা হায়বসিদি ওইথোক্লরোইদবা ৱাফম্নি। মী অমগী অপাম্বা লোইবা নাইবা নত্তে। অদুবু ঐগী পার্টনরগী অশোনবা মফম থিরগা মতেং পাংশিন্দুনা ঐ ইশাবু অফবা মী অমা ওইনা উহন্নবা হোৎনরোইদবনি। মসিনা থাজনবগী চাং হন্থহল্লক্কনি। অমদি থম্মোয় শেংনা মতেং পাংলুবা মতমদা খুদোংচাবা লৌনবা পাংলকপনি হায়না খনখিবসু য়াই।

৪) অশোয়বা থবক অমা তৌরুবা মতমদা শোয়খ্রে হায়না ফোঙদোক্লবগা লোয়ননা মতুংদা তৌরোই হায়বগী থাজবা পীনবা হোৎনগদবনি। অদুবু ঐখোয়না থাজবা অসি মাঙহন্দনবা হোৎনগদবনি। মরমদি থাজবা তোয়না মাঙশিল্লক্লবদি অমুক হন্না অফবা মরী শেমগৎনবা হোৎনবদা মায় পাকপা ঙমখিদবসু য়াই হায়না থিজিল্লোয়শিংনা ফোঙদোক্লি।

আর্টিকল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

# দিপার্টমেন্ট ওফ সোসল ৱেলফ্যেরনা শীন্দুনা ইল্লিগেল এদোপসন, চাইল্ড মেরিএজ এন্দ পোক্সো এক্টকী মতাংদা নোংমগী ওইবা এৱ্যের্নেস পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৪ (ঐচ এন এস) : ইম্ফালগী চিংমৈরোংদা লৈবা ত্রাইবেল রিছার্স ইন্সটিট্যুটতা ঙসি নেসনল গার্ল চাইল্ড দে ২০২৩গী থৌরমগা মরী লৈননা দিপার্টমেন্ট ওফ সোসল ৱেলফ্যের, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরনা শীন্দুনা ইল্লিগেল এদোপসন, চাইল্ড মেরিএজ এন্দ পোক্সো এক্ট হায়বা টোপিক্তা নোংমগী ওইবা এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে।

নোংমগী ওইবা এৱ্যের্নেস প্রোগ্রামগী থৌরম অদুদা ইম্ফাল ৱেষ্ট অমদি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী আই সী দি এস প্রোজেক্টকী মনুং চন্না থবক তৌরিবা অঙ্গনৱাদি ৱার্করস ১০০ রোম্না শরুক য়াখি। দিপার্টমেন্ট ওফ সোসল ৱেলফ্যের, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরনা শীন্দুনা পাঙথোক্লিবা ইল্লিগেল এদোপসন, চাইল্ড মেরিএজ অমদি পোক্সো এক্টকী মতাংদা পাঙথোকখিবা এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম অসি নুপীমচাশিংগী ফংফম থোকপা রাইট অমদি মখোয়না থেংনরিবা ইস্যুশিংগী মতাংদা থবক থৌরিবা ফ্রন্ট লাইন ৱার্করশিংদা তাকপী-তম্বীবা অমদি খঙহন্নবগী মতাংদা পাঙথোকপা প্রোগ্রাম অমনি।

থৌরম অসিগী মরুওইবা পান্দমদি সোসাইটি অসিদা লৈরিবা হৌগৎলক্লিবা পীক্লিবা নুপীমচাশিংবু মহৈগী মঙাল ফংহনবগা লোয়ননা মখোয়বু থৌনা লিংজেল পীদুনা অফবা খুন্নাই অমা শেমগৎ-শাগৎনবগীদমক্তা পাঙথোকপা থৌরম অমনি। চিংমৈরোংদা লৈবা ত্রাইবেল রিছার্স ইন্সটিট্যুটতা দিপার্টমেন্ট ওফ সোসল ৱেলফ্যের, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা নোংমগী ওইবা এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম অদুদা দেপ্যুটি দিরেক্টর (সী পি) কোন্সম সরোজা অমদি রিছোর্স পার্সন ওইনা প্রোগ্রাম মেনেজর (এস এ আর এ) থোঙাম গ্যানিলক্ষ্মী, লিগেল কম প্রোবেসন ওফিসর রিনা চনু মোইরাংথেম অমদি প্রোগ্রাম ওফিসর (এস সী পি এস) মালা লিশমনা শরুক য়াখি।

হায়রিবা রিছোর্স পার্সন ওইনা শরুক য়াখিবা মীওই অহুম অসিনা থৌরম অদুদা শরুক য়াবা লাকখিবা ইম্ফাল ৱেষ্ট অমদি ইম্ফাল ইষ্টকী অঙ্গনৱাদি ৱার্কর ১০০ রোম অদুদা ইল্লিগেল এদোপসন, চাইল্ড মেরিএজ অমদি পোক্সো এক্টকী মতাংদা শুগায়না খঙহনখি। ঙসি পাঙথোক্লিবা প্রোগ্রাম অসি লমদম অসিগী নুপীমচাশিংগী প্রোটেক্সন অমদি সেফগার্দ লোয়ননা মখোয়গী ফংফম থোকপা রাইটশিংগী মতাংদা য়াম্না মরুওইবা প্রোগ্রাম অমনি হায়রি।

# অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৪ (ঐচ এন এস) : ঠিএটর দিরেক্টর অমদি ইমিনেল পর্সনেলিটি ওফ মণিপুর কলচর পদ্মশ্রী নব ৱারেপ্পনা লৈখিদবদা ইম্ফাল ইষ্টকী মনুং চন্না লৈবা ঐচ এল এম টি টি সী এ ইরিলবুংগী ওদিটোরিয়মদা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে হায়না সংস্কার ভারতি মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি জি বিসেশ্বর শর্ম্মনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

মিনিট অনী তুমীন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা লৈখিদ্রবগী থৱায়না মপুগী লৈকোলদা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবগীদমক থৌনিজখিবগী থৌরম অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ফোর্মর ভাইস চাঞ্চেল্লর অমদি সংস্কার ভারতি মণিপুর প্রান্টকী প্রসিদেন্ট প্রোফেসর হিজম তোম্বী, ৱার্কিং প্রসিদেন্ট এস এন এ এৱার্দী কে সনাথোইবনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি। অৱাবা মীফম অদুদা মহাক্লা হিংলিঙৈ মতমদা পাঙথোক্লম্বা থবকশিং নীংশিংখি হায়রি।

# দাইমন্দ জুবিলিগী থৌরম হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৪ (ঐচ এন এস) : নেতাজি মেমোরিএল ক্লব, খুরাই কোংপাল টিঙ্গিদ রোদকী চহী ৬০ শুরকপগা লোয়ননা চহী অমা চুপ্পা পাঙথোক্কদবা দাইমন্দ জুবিলি সেলেব্রেসনগী থৌরম ক্লব অসিগী শঙলেনদা হৌদোকখ্রে হায়না ক্লব অসিগী প্রসিদেন্ট টি সচিকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

নেতাজি মেমোরিএল ক্লব, খুরাই কোংপাল টিঙ্গিদ রোদকী চহী অমা চুপ্পা পাঙথোক্কদবা জুবিলি সেলেব্রেসন হৌদোকপগী থৌরম অদুদা ক্লব অসিগী হান্না থৌ পুরম্বা কে ঐচ মঙ্গিনা চীফ গেষ্ট, এল শরতনা প্রসিদেন্ট অমদি টি ঐচ ইবোহনবীনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি। ক্লব অসিবু হৌদোকপীরম্বা অমদি মেম্বর ওইরম্বা লৈখিদ্রবা মেম্বরশিংগী মফমদা থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা লৈ-শু কৎতুনা ঈকায় খুম্নবসু উৎখি। দাইমন্দ জুবিলিগী থৌরম অসিদা মহৈ-মশিনগী, আর্ট এন্দ কলচরগী অমদি স্পোর্টস য়াওনা হীরম কয়াদা তোঙান তোঙানবা মখলগী থৌরমশিং পাঙথোক্কনি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তারি।

# মালেমদা ঈং-তপ্পা পুরক্নবগীদমক অমদি অমগা অমগা শৌগৎনবগীদমক এপসোনা য়াম্না মরুওইবা থৌদাং লৌরি হায়না পল্লব সেনগুপ্তনা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৪ (ঐচ এন এস) : ওল ইন্দিয়া পিছ এন্দ সোলিদরিটি ওর্গনাইজেসন (এপসো)গী ৮শুবা মণিপুর ষ্টেট কনফরেন্স ঙসি জন্যুৱারী ২৪, লৈবাকপোকপা নুমীৎতা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্ব্লী ম্যুজিয়ম এন্দ অর্কাইবস ইম্ফালদা পাঙথোক্তুনা মালেমগী মরুওইনা মণিপুরদা ঈং-তপ্পা, চাউখৎপা অমা পুরকপা ঙম্নবগীদমক ৱারেপ লৌবগা লোয়ননা অকনবা খোঙজং কয়া চঙশিন্নবা লেপ্পখ্রে হায়না এপসো মণিপুর ষ্টেট কম্মিটিগী জেনরেল সেক্রেটরি ডা. পি খোগেননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।





এপসো মণিপুরগী ৮শুবা কনফরেন্সকী থৌরম অদুদা ৱাহৌদোক্কী ৱারোল পীরদুনা ৱর্ল্দ পিছ কাউন্সীল (দব্লিয়ু পি সী)গী প্রসিদেন্ট অমসুং এপসোগী নেসনল জেনরেল সেক্রেটরি পল্লব সেনগুপ্তনা ফোঙদোকখিবদা, মালেমদা ঈং-তপ্পা পুরক্নবা হৌখিবা ঈহৌ কয়াদা ইন্দিয়াগী মফম য়াম্না চাউনা কন্দুনা লৈরি হায়বসি হন্দক্কী দব্লিয়ু পি সীগী ভিয়েটনামগী হানোই সিটিদা পাঙথোকখিবা ইন্টরনেসনল কনফরেন্স অদুদা শরুক য়াখিবা দেলিগেটশিংনা অমত্তা ওইনা য়েৎনবা লৈতনা ইন্দিয়াগী মীহুৎপু ৱর্ল্দ পিছ কাউন্সীলগী প্রসিদেন্ট খনখিবা অদুনা তাকখ্রে। মসি ইন্দিয়ানা মালেমগী পিছকীদমক অমসুং অমগা অমগা শৌগৎনবগীদমক ওল ইন্দিয়া পিছ এন্দ সোলিদরিটি ওর্গনাইজেসন (এপসো) মণিপুরনা য়াম্না মরুওইবা অচৌবা থৌদাং লৌরি। থৌদাং অসি মখা তানা চথদুনা মরুওইনা ইন্দিয়াগী অৱাং নোংপোক চিদাইদা লৈরিবা মণিপুরদা অকনবা খোঙজং চঙশিন্নবা আপীল তৌখি হায়রি।

এপসো মণিপুরগী ৮শুবা কনফরেন্সকী থৌরম অদুদা হান্নগী মণিপুরগী মিনিষ্টর অমসুং এক্স-এম পি (লোক সভা) ডা. থোকচোম মৈন্যনা ফোঙদোকখিবদা, পিছ হায়বসি অওৎ-অনৈ লৈতবা অদুবুনি। লৈবাক্কী, খুন্নাইগী, পোলিটিক্সকী অমসুং নুপা-নুপীগী মরীদা নমথবা লৈতবা অদুবুনি। পিছ হায়বসি নুংগী অমসুং পানগী ওইনা অনী থোক্না য়েংবা য়াই। অনীমক্তা পিছ লৈবা অদুবু অশেংবা পিছ লৈবা হায়বদু ওইগনি। মরম অদুনা ঐখোয় খুদিংমক্না ইরমদম মণিপুর অসিদসু ঈং-তপ্পা, অমগা অমগা নুংশিনদুনা সপোর্ট তৌনবগা লোয়ননা চাউখৎপা লমদম অমা ওইনবা হোৎনমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ হায়নসু ফোঙদোকখি।

কনফরেন্স অদুদা থৌরম মপুগী ৱারোল পীরদুনা শক্লাইরবা সোসল ৱার্কর ডা. এম নরনা ফোঙদোকখিবদা, ইরমদম মণিপুরদা তংদু-লৈতাবা লৈত্রিবা অসি মাঙহনখিনবা এপসোনা কন্না হোৎনবা চঙই। মদুগীদমক এপসো মণিপুরগী অনৌবা কম্মিটিনা থবক চঙশিনগনি। ইরমদম মণিপুরবু ঈং-তপ্পা অমদি চাউখৎপা লমদম অমা ওইনবগীদমক এপসোনা লেপ্পা লৈতনা থৌদাং কয়া লৌদুনা লাকখি। মসিদা লৈবাক মীয়াম্নসু অমত্তা ওইনা শৌগৎপীবগী তঙাইফদবা লৈ হায়নসু ফোঙদোকখি।

ওল ইন্দিয়া পিছ এন্দ সোলিদরিটি ওর্গনাইজেসন (এপসো) মণিপুরগী ৮শুবা ষ্টেট কনফরেন্স অসিনা মেম্বর ৩৫না শাবা মণিপুর ষ্টেট কম্মিটি অমা শেম্বগা লোয়ননা ডা. এম নর, ডা. থোকচোম মৈন্য, জি তোম্বা অমসুং ডা. ক্ষেত্রিময়ুম চৌরজিৎপু প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা খনখি। লোয়ননা ক্ষেত্রিময়ুম শান্ত, ডা. পি খোগেনবুনা জেনরেল সেক্রেটরি অমদি সলাম য়াইমবুনা ট্রেজরর ওইনা খনখি।

চহীসিগী লাক্লিবা মার্চ ৪দা চান্দিগড়দা পাঙথোক্কদৌরিবা ওল ইন্দিয়া পিছ এন্দ সোলিদরিটি ওর্গনাইজেসন (এপসো)গী নেসনল কনফরেন্সতা মণিপুরগী মীহুৎশিংসু শরুক য়ানবা চৎনবগী ৱারেপসু লৌখি হায়না এপসো মণিপুর ষ্টেট কম্মিটিগী জেনরেল সেক্রেটরি ডা. পি খোগেননা থাদোরকপা চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

**তাং ২৫।০১।২০২৩ ইং, য়ুমশকৈশা, নুমিৎয়ুংবা ১২.৩৫ ফাওবা ফাইরেলগী ৪ নি পাল্লি, মতুং ৫নি পাল্লনি।**

মেষ: অশাওবা/ফিংবনা নচাক নরল মাঙহঞ্জগনি-তপথৌ। নুংথিল পুং ৩ ফাওবা ওইজ-ওইথক ফংগনি। নথক থোংবদা ৱা ঙাংবদি লুই।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংজবা মপা চাগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা

বৃষ: লম খুদিংদা চাওনা মায় পাক্কনি। শেন্দোং য়াম্না ফংগনি, মীনা থাগৎপিগনি, লৌশিংসু ফুদোকপা ঙমগনি-ৱাখল তান্নরমদবা ফরনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চাল্লি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

মিথুন: নচা-ননাই অমদি মীয়ামগী মতেং ফংগনি, খল্লুদবা কান্নবা খরসু ফংগনি। অদুবু হেন্না আশা চাওবদি নুংথিল পুং ৩গী তুংদা কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী হান্নগুম ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

কর্কট: অথেংবদা থৌনা ফুদোকপনা কান্নবা খরা ফংগদবা নত্তনা অনৌবা থবক্তা হেন্না আশা তৌরুনু। মী লোয়নৌ, নচাক নরল চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- মতম হৌহনখো।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

সিংহ: নুংথিল ফাওবা চাওনা ওইজ-ওইথক ফংগনি- থৌয়াম পাঙবা য়াগনি। মরুপ্তা নত্তনা নথক থোংবনসু তেংবাঙবী। য়েৎনবদি তৌরুনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চাগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

কন্যা: অনৌবা থবক্তা খ্বাইদগী হেন্না নীংবা থুংগদবা নুমিৎনি। শকখঙদবতা লোয়নগনু, চীঞ্জাক্তা কামগনু-মাঙবা লৈরোই। য়েৎনরম্বসু ফরনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মীৱা থাজগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

তুলা: থেংলপ্না নীংবা থুংগনি, ৱাখল চাওথোকপা ঙমজবা অমদি মীরক তীনবা পাম্বা নুমিৎনি। মীতোপ হেন্না থাজরদি খৎন-চৈনবা নংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফরি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

বৃশ্চিক: পাইরক্কী লৌশিং লৈ-মীনা লাকচবা ৱাগনি, পাঙগে খনবা থবকসু পাঙগনি । চিন শোয়বগী নরল ময়েং তাবা য়াই-ফিংনা ৱা ঙাংগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- মতম মাঙগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

ধনু: নুংথিল পুং ৩ ফাওবা অচৌবা মায় পাক্কদবা লৈ-অফবা থবক পাঙহৌরো। য়েৎনবসু ঙমগনি, অফবা মফম ফংগনি। হৈ-শিংবদি শারুনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংজবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/কিসমিস

মকর: নুংথিলদা নীংবা থুংগনি। চিন য়াংগনু অমদি অরাপ্পা মী থাজবা লুই। থবক্কী ফলদি নুংঙাই অমদি নরলসু চাওখৎপগী নুংঙাইজবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা য়াম্না চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

কুম্ভ: পুক্লিং পেন্না নুংঙাইজবা ফংগনি। লল্লোন ইতিক্তা চাওনা কান্নগনি, নথক থোংবনা চানবী, মীয়াম্না য়াগনি। অনম তানবদি কায়নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফগৎকনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

মিন: মরুপ মপাং অমদি ইমুং মনুংগী মতেংনা থবক পাঙবা ঙসিসু লৈ। থৌনা ফুদোকপা য়াগনি। ওইজবা তানবদি অথেংবদা য়াম্না কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ঈকাই খুম্নবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।